**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 14-06-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) লাঞ্জেন্নরকপা মীওইশিংবু নিংথিনা খুন্দা লৈতাহন্নবা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং য়েংশিন্নবা কেবিনেট সব-কতিতি অমা শেমখ্রে।

২) চুরাচান্দপুর জিলাগী তুইনোমদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুম্বগী থবক চথ্বদা খুৎশু খুৎলায় কয়ামরুম ফাগৎলে।

অমসুং

৩) লোক সভাগী অনৌবা অধ্যক্ষ খন্নবা মীখল থা অসিগী ২৬ তা পাঙথোক্লগনি।

**-------**

কেবিনেট (এল)ঃলাঞ্জেন্নরকপা মীওইশিংবু নিংথিনা খুন্দা লৈতাহন্নবা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং য়েংশিন্নবা কেবিনেট সব-কতিতি অমা শেম্লে।

ইম্ফালদা ঙরাং পাঙথোকখিবা রাজ্যগী মন্ত্রি মন্দলগী মীফমনা মণিপুর সরকারগী রুলস ওফ বিজিনেসকী রুল ১৩ গী মখাদা কেবিনেট সব-কমিতি অসি শেমখিবনি। কেবিনেট সব-কমিতি অসি ৱার্ক্স অমসুং য়ুথ এফ্যারস এন্দ স্পোর্টস মন্ত্রি গোবিনদাস কোন্থৌজমনা চেয়ারপার্সন ওইগনি। ৱাটর রিছোর্সেস অমসুং রিলিফ এন্দ দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট মন্ত্রি অৱাংবৌ নিউমাই, হেলথ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যার অমসুং আই.পি.আর মন্ত্রি ডাঃ সাপম রঞ্জন সিংহ অমসুং এনিমেল হজবেন্দরি এন্দ ভেটরিনারি অমসুং ট্রান্সপোর্ট মন্ত্রি খাসিম ভাসুমনা

কমিতি অসিগী মেম্বরশিং ওইগনি। কম্মিসনার কম হোম- গ্যান প্রকাশ হুইরেমনা কমিতি অসিগী মেম্বর সেক্রেটরি ওইগনি।

কেবিনেট সব-কমিতি অসিনা লাঞ্জেন্নরকপা মীওইশিংনা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈবদা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং মশক খঙদোকপা, মখোয়গী তঙাইফদবা দরকার ওইবশিং খঙদোকপা অমসং মখোয়বু অমুক হন্না খুন্দা লৈতাহন্নবা পায়খৎকদবা থবক থৌরমশিং য়েংশিল্লবা মতুংদা মুখ্য মন্ত্রিদা রিপোর্ট অমা পীখৎকনি।

অমরোমদা, ঙরাংগী মন্ত্রি মন্দলগী মীফম অদুনা হন্দক্কী ঈশিং ঈচাউদা অমাং অতা থোকখ্রবশিংগী রিপোর্ট চয়োল অমগী মনুংদা পীখৎলকবা দিপ্যুতি কম্মিসনারশিংদা খঙহন্নবা ৱারেপসু লৌখি। ঈচাউগী অৱাবা নংলবা ইমুংশিংদা লুপা লিশিং ১০-১০ খুদক্কী ওইবা তেংবাং ওইনা পীননবসু মীফম অদুনা অয়াবা পীখি। চহি অসিগী সেপ্তেম্বর থাদা এ.দি.সি, পঞ্চায়ট অমসুং ম্যুনিসিপালিতিশিংগী লোকেল বোদি ইলেক্সনশিং পাঙথোকবসু মীখল অদুনা লেপখি।

পুলিস (এল)ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী চীং অমসুং তম্পাক্কী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা এরিয়া দোমিনেসন অমসুং থিবা হুম্বগী থবক লেপ্তুনা চথুরি।

মণিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়- হৌখিবা পুং ২৪ দা চুরাচান্দপুর জিলাগী তুইনোমদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমা, তুয়েল্ব এম.এমগী সিঙ্গল বেরেল অহুম, মোর্টার অনি অমসুং নোংমৈ মরু ১৩ ফাগৎলে হায়রি।

অমরোমদা, নেসনেল হাইৱে-টু ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বীদা সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা মাল পুবা গাড়ি ১৮৭ অশোই অঙাম য়াওদনা পুশিল্লকখ্রে হায়রি।

ফারমাসি (এল)ঃ মণিপুরদা ড্রগস টেষ্টিং লেবোরেটরি লিংখৎপিনবা ইন্দিয়ান ফারমাসিস এসোসিয়েসন, মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চনা হায়রি। এসোসিয়েসন অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়- রাজ্য অসিদা ড্রগকা মরী লৈনবা ৱাফমশিং লাকপা মতমদা নিংথিনা থেংনবা ঙমবগীদমক হেলথ দিপার্টমেন্টতা হাংদুনা লৈরিবা ফারমাসিশিং অথুবা মতমদা মেনশিনবীনবসু এসোসিয়েসন অসিনা তকশিল্লি।

কাউন্সিল (এল)ঃ কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি ইজ্‌কেসন মণিপুরগী মখাদা হায়র সেকেন্দরি একজামিনেসন ২০২৪ থাখিবা মহৈরোইশিংগী অন্সার স্ক্রিপ রি-চেক্কিং তৌবা ঙসিদগী হৌরগনি হায়রি। মরী লৈনবশিংনা অয়ুক পুং ১০ দগী নুংথিল পুং ৪ ফাওবগী মনুংদা লাকনবা কাউন্সিল অসিগী সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমদা হায়রি।

নোনে (এল)ঃ আর.বি.আইগী লিদ বেঙ্ক স্কিমশিংগী মখাদা নোনে জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট কন্সলটেটিভ কমিতিগী মার্চ ক্বাতর ২০২৪ গী মীফম ঙরাং ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা নোনে জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনার শরথ চন্দ্র অরোজ, নোনে জিলাগী লিদ দিষ্ট্রিক্ট মেনেজর য়েংখোম ইবোচৌ অমসুং আর.বি.আই অমসুং নবার্দকী মীহুৎশিংনা শরুক য়াখি।

মৈ (এল)ঃ ইলেভেন কে.ভি খোংমন ফিদরগী মখাদা লৈবা মফমশিংদা ঙসি অয়ুক পুং ১০ দগী নুংথিল পুং ৪ ফাওবা মৈ ফংলোই হায়রি। মণিপুর ষ্টেট পৱার দিষ্ট্রিব্যুসন কম্পনি লিমিতেদকী চেরোল অমদা হায়- হায়রিবা মতম অসিদা জঙ্গল কত্তিং তৌগদবা মরমনা মৈ ফংলোইদবনি।

রাইটরস (এল)ঃ সপ্পোর্ট ফোর মণিপুর হায়বা ৱাখল্লোনগী মখাদা বঙ্গলাদেশতগী মীতৈশিং লাক্কুনা মতেং পাংলবদা পেট্রিওতিক রাইটরস ফোরম

মণিপুরনা থাগৎপা ফোংদোরক্লি। ফোরম অসিগী চেরোল অমদা হায়- অসিগুম্বা খোঙথাং অসিনা বঙ্গলাদেশতা লৈরিবা মীতৈশিংনা মখোয়গী হৌরকফম ওইরিবা মণিপুরদা অৱাবা তারবা মতমদা শরুক য়ারি হায়বদু ফোংদোক্লি।

ত্রাইবেল (এল)ঃ ত্রাইবেল লোলশিংগী মতাংদা রাজ্য সরকারনা অয়াবা পীরিবা টেক্সবুকশিং ফোংবদা শেলগী তেংবাং লৌনিংবা ত্রাইবেল লিটরেচর সোসাইতিশিংদগী দরখাস্ত কৌরি। দরখাস্ত ফোর্ম চীংমৈরোংদা লৈবা ত্রাইবেল রিছার্স ইন্সটিটিয়ুটতগী লৌরবা য়াগনি। দরখাস্ত পীশিনবগী অরোইবা মতম থা অসিগী ২৪ ফাওবনি।

স্পিকর ঃ লোক সভাগী অধ্যক্ষ খন্নবা মীখল থা অসিগী ২৬ তা পাঙথোক্লগনি। ১৮ শুবা লোক সভাগী অহানবা মীফমা থা অসিগী ২৪ দগী হৌরগনি। মীফম অসিগী মনুংদা নৌনা কারক্লবা সদস্যশিংবু ৱাশক লৌগনি। লোক সভা অমসুং রাজ্য সভাগী অপুনবা মীফমদা রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা পীবা ভাষনগী মতাংদসু মীফম অসিদা খন্ন-নৈনগনি। রাজ্য সভাগী মীফমনা থা অসিগী ২৭ তগী হৌগনি। সংসদকী মীফম অসি মথং থাগী ৩ দা লোইশিনগনি।

জল শক্তি ঃ কেন্দ্রগী জল শক্তি মন্ত্রি সি.আর. পাতিলনা নমামি গঙ্গে মিসন প্রোজেক্টকী ফিভম য়েংশিনখ্রে।

নিউ দিল্লিদা ঙরাং পাঙথোকখিবা হন্না য়েংশিনবগী মীফমদা নেসনেল মিসন ফোর ক্লিন গঙ্গানা শেম্বা ইনভাইরোনমেন্টেল ফ্লোস মোনিটরিং সিষ্টেম লোঞ্চ তৌখি। সিষ্টেম অসি প্রয়াগ পোর্তেলগী শরুক অমনি। মীফম অদুদা শ্রী পাতিলনা নমামি গঙ্গে মিসন অসি অথুবা মতমদা লোইশিন্নবা মরী লৈনবা ওফিসিয়েলশিংদা খঙহনখি। প্রোজেক্ট অসি পায়খৎপদা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং খঙদোক্লুনা অনৌবা থৌশিল থৌরাংশিং পুথোক্লুনা মদুবু থেংনদুনা প্রোজেক্ট অসি অথুবা মতমদা লোইশিনবগী তঙাইফদবশিংসু মন্ত্রিনা

ফোংদোকখি।

অমরোমদা, কেন্দ্রগী ফুড প্রোসেসিং ইন্দষ্ট্রিজগী রাজ্য মন্ত্রি রবনিত সিংহ বিতুনা সভাপতি ওইদুনা ঙরাং নিউ দিল্লিদা পাঙথোকখিবা মীফম অমনা মন্ত্রালয় অসিনা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং হন্না য়েংশিনখ্রে। ভারত মন্দাপমদা থা অসিগী ১৯ দগী ২২ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱার্ল্ড ফুড ইন্দিয়া, ২০২৪ গীদমক নিংথিনা শেম শানবসু মন্ত্রিনা মরী লৈনবা ওফিসিয়েলশিংদা পাউতাক পীখি।

সিক্কিম ঃ সিক্কিমগী প্রেম সিংহ তমাংনা লুচিংবা মন্ত্রি মন্দলদা য়াওরিবশিংনা পায়গদবা দিপার্টমেন্টশিং য়েন্থোকখ্রে। মুখ্য মন্ত্রি তমাংনা হোম, ফাইনান্স, প্লান্নিং এন্দ দিভলপমেন্ট, পার্সোনেল, পৱার, এক্সাইজ, লেন্দ রেভিন্যু এন্দ দিজাষ্টর মেনেজমেলন্ট, ত্রান্সপোর্ট, ইনফোর্মেসন এন্দ পাব্লিক রিলেসন্স, ইনফোর্মেসন টেকোলোজি অমসুং স্কিল দিভলপমেন্ট পায়রগনি।

কেবিনেট মন্ত্রিশিংগী মনুংদা- সোনম লামাদা পাব্লিক হেলথ ইঞ্জিনিয়ারিং অমসুং ৱাটর রিছোর্সেস পীরে। অরুনকুমার উপ্রেতিদা রুরেল দিভলপমেন্ট এন্দ কো-ওপরেসন পীরে। সমদুপ লেপচাদা সোসিয়েল ৱেলফ্যার, ৱিমেন এন্দ চাইল্দ দিভলপমেন্ট, প্রিন্তিং এন্দ ষ্টেসনরি পীরে। ভিম হান লিম্বুদা বিল্ডিং এন্দ হাউজিং, ভোজ রাজ রাইদা অরবান দিভলপমেন্ট অমসুং ফুড এন্দ সিভিল সপ্লাইজ পীরে। জি.পি. ধংগেলদা কলচর, হেলথ অমসুং ফেমিলি ৱেলফ্যার পীরে।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুর ইদিসনদা- দেসামগী খোঙজংদা মীওই অহুম ফাজিনখ্রে, দি.এম.য়ুগী মহৈরোইশিংসু মৈ থাবা য়াওবা ইরাং হৌরকখ্রে হায়না কলর তৌদুনা অহানবা হেদলাইন ওইনা ফোংলি।

সনালৈবাক্তা- লোকেল বোদিগী মীখল সেপ্তেম্বরদা পাঙথোকবা কেবিনেটনা ৱারেপখ্রে, লাঞ্জেন্নরিবশিংগী অৱাবা কেবিনেট সব-কমিতিনা য়েংশিল্লগনি হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

নহারোলগী থৌদাংদা- মোরেগী শঙ্গাদ্রিবা জে.এন.ভি স্কুল এ.আরগী মীৎমাংমক্তুদা মৈ থাখ্রে, বোর্দর টাউন মোরেগী সুপর মার্কেট কুকি নুপীশিংনা শো লোনশিল্লম্লে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদা- জিরিবামদা মৈতে ৯০০ হেন্না লাঞ্জেন্নদুনা শাফগদবা মফমদা হোংদোকখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পোকফমদা-এস.দি.সি-পঞ্চায়ট-ম্যুনিসিপালিতিশিংগী মীখল সেপ্তেম্বরদা পাঙথোকবা লেপখ্রে, লাঞ্জেন্নরিবশিং য়েংশিন্নবা সব-কমিতি শেমখ্রে, ঈচাউনা শোকহল্লবশিংদা লিশিং ১০-১০ পীরনি হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পিপলস ক্রোনিকলদা- জিরিবামদা মখা তানা লাঞ্জেন্নবা অমদি বোম কাপথরকপগী থবক লেপত্রি, এম.এল.এ অসব অউদ্দিননা শান্তিগী পাউজেল পীখিবগী পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হুইয়েন লানপাউদা- মণিপুরগী লান, জিরিবামদা মীৎয়েং পুমমক থমদুনা পাইশিন্নরি হায়না বেন্নর হেদলাইন পীরদুনা জিরিবামদা বোম কাপশিন্দুনা য়ুম থুগাহখ্রে, খাউদা বোম হাপ্পগা থন্নম্লে হায়না সব-হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা- মণিপুরগী ইমাশিংনা মথৌ মশক খঙদবা সেক্যুরিতি এদভাইজর ফম থাদোকউ হায়না খোঙজং চংশিনখিবগী পাউ অহানবা লমায়দা ফোংলি।

মোর্নিং বেলদা- মহেরোই লিশিং ১,৫৬৩ গী স্কোর কার্দ এন.টি.এনা ককথৎতুনা অমুক হান্না নিট পরিক্ষা থানবা খঙহনখিবগী পাউ অহানবা লমায়দা ফোংলি। পাউ অসি তমেংলোং টাইমসকী অহানবা লমায়দসু ফোংলি।

মণিপুর নিউজদা- সেরৌ মখাগী থোং শানবা য়োৎ পুরম্বা

বি.আর.টি.এফকী টাটা অনি মীয়ামা মৈ থাখ্রে, শিন্মী অহুম ফাজিল্লুরে হায়বা পাউ অহানবা লমায়দা ফোংলি।

মণিপুর মেলদা- প্রাইমারি ওজা লৌবগী মতাংদা মহৈরোই লুপশিংনা ইরাং হৌখিবগী পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিমক গানফিউ মেলগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা- এম.এস.পি.দি.সি.এল সেনাপতিনা জিলা অসিদা মৈ নিয়ম কায়না শিজিন্নবা কঞ্জুমরশিং য়েংশিনবগী থবক চখ্খিবগী পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

চাম পাউচেদা- য়ুনাইতেদ নাগা কাউন্সিলনা খো জোন, এলিসন অমসুং অলফ্রেদতা অথিংবা থমখিবগী পাউ অহানবা লমায়দা ফোংলি।

-------